ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯑꯒꯁ꯭ꯇ ꯱꯱, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯳꯷ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

য়ূমশকৈশা, ওগষ্ট ১১, ২০২১, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ১৩৭শুবা মশীং

# ইকায়খুম্নবা উৎখিবদু লৌথোকইরা

## হোংদোক হোংজিন তৌবা য়াদে হায়বা নত্তে

লেপ্তুনা চাওখৎলকপা অমসুং অহোংবা-অওনবা নাইরকপা, লৈরকপা, হোংহল্লকপা অমসুং ওলহল্লকপা হায়বসি মালেমসিদা লৈরিবা মীওইবা হায়বা থৱায় পানবা কাঙলূপসিগী হৌনবীনি, মচৎনি। মীওইবনা লৈরিবা মালেমগী মফম পূম্নমক্তা মীওইবশিং অদুগী পুন্সি মরেলদা মখোয়গী য়ূমলৈ, কৈরৈগী ফীভম য়াওনা অহোংবশিং লেপ্তুনা থোকই। হান্না লৈরম্বা, লৈরকপা ফীভম অমত্তদা মচি লেংদনা অদুম্মক লৈবগী চৎনবী লৈতে। মসিমক্লসু মীওইবা খুন্নাইনা ঙসি খম থেংনা চাওখৎলক্লিবনি। থৌদোকসি মীওইবা মশেল ওইবগী হৌনবা লৈবাকসিদসু থোকই। লোয়নমক কোৎথোক্লুদ্রবসু লৈবাকসিগী নিংথৌ পানবা লৈবাক মচা মচা ময়াম লৈজরম্মী। বৃটিশ লাকপদগী মখোয়গী মখা পোল্লুরে। মখোয়গী মায়োক্তা চত্থখিবা অকনবা নীংতম লালহৌদগী নীংতম্বা ফংলে। ইন্দিয়ন য়ুনিয়ন শেম্লে, মপূং ফাবা রিপব্লিক ওইরে। কোলকত্তাদা ওইরম্বা লৈবাকসিগী কোনুং দেল্লীদা হোংখ্রে। পূম্নমকসি লৈবাকসিগী লৈমায়দা থোকখিবা মরু ওইবা অহোংবা অওনবশিংগী মনুংদা য়াওবা মশক নাইবা থৌদোক ঙাক্তনি। মসি নত্তবা অহোংবা অওনবা; হোংদোক-হোংজিন তৌবগী থৌদোক কয়াসু থেঙ্খাং কয়াদা থোকখ্রে। হায়রিবা হিষ্টোরিকেল ইভেন্টশিংসিগী মথক্তা লৈবাকসিগী মনুংগী ওইবা লৈঙাক্লোনদা অমসুং লৈঙাক পথাপ্তুসু অহোংবা অওনবা কয়া মায়োক্লখ্রে। হৌজিকসু মায়োক্লরি, মতুংদসু মায়োক্লখিগনি। মসিসু মীওইবগী হোংবা নাইবা মচৎশিংদগী মনুং চনবনি, হৌনবীনি, তৌসনু।

অদুবু অসিগুম্বা লৈবাকসিগী অহোংবা, অওনবা ময়ামসিগী ঈচেলদা হন্দক জপানগী কোনুং টোকিওদা পাঙথোকখিবা ৩২রক শুবা সম্মর ওলিম্পিক গেমসতা লৈবাকসিগী নুপা অমসুং নুপীগী হোকি টিম্না মথংশিৎনা ব্রোঞ্জ মেদল অমসুং ৪শুবা পোজিসন ফংবা ঙমখিবগা মরী লৈননা লৈবাকসিগী শান্ন-খোৎনবগী খ্বাইদগী ৱাংলবা মনা 'রজিভ গান্ধী খেল রত্না এৱার্দ' পু 'মেজর ধ্যানচান্দ খেল রত্না এৱার্দ' হায়দুনা মমিং ওন্থোক্লগনি হায়বা ৱাফম প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মচিন্দগী হৌদোরকখ্রে। অহোংবা অওনবা অমা ওইহল্লক্লবগী ৱাফমসি লৈবাকসিগী মীয়াম্না ফোঙদোক্লরকপা অপাম্বশিংগী মতুংইন্ননি হায়বা ৱাফমসু য়াওরি। লৈবাকসিগী মীয়াম্নবু পাল্লবা, হেন্না অফবা অচুম্বা থৌওং ওইগনি হায়ববু ওইরগদি হোংদোক হোংজিন তৌরকপদা য়ারোইদবা লৈরোই। লৈবাক মীয়াম্না পাল্লবা অদুগা লৈবাকসিগী অমসুং মীয়ামগী অফবা ওইগনিবু হায়রবদি করিসু কায়দে। লৈবাকসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা ওইগেরা, খ্বাইদগী নেম্বসু ওইগেরা মসিগী থাকসিনা থোইদোক্তে। লৈবাকসিদা চৎনরিবা কন্সটিট্যুসন অমসুং অতৈ এক্ট, রুল কয়া ফাওবা শেমদোক শাদোক্তুনা অহোংবা লৈহল্লিবনি।

অদুবু লাক্লিবা ৱাফমদি ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ৱাংলবা শান্ন-খোৎনবগী এৱার্দসিদা লৈখিদ্রবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা রজিভ গান্ধীগী মিং পকশিনখ্রিবা অসি হেক্তা পংতৌদা তৌশিন্দুনা পংথোন্দা থোনজিনখিবা নত্তে। রজিভ গান্ধীনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবৈঙদা মহাক্না লৈবাকসিগীদমক তৌরম্বা থবক-থৌরমশিং, লৌখৎলম্বা, পায়খৎলম্বা থৌরাংশিং অদুগীদমক মহাকপু ইকায়খুম্নবা উৎতুনা থোনখিবা মিংনি। মহাক্কুম্না স্পোর্টস পর্সনেলিটিশিংদসু অনৌবা, অফবা থৌনা লিংজেলশিং চেল্লক্লবনি। তুংদা লাক্কদবা প্রাইম মিনিষ্টরশিংদসু পাড়া অমনি। মসি ওইরগদি এৱার্দ মমিং ওন্থোকপগী ৱাফমসি হৌদোক্লরকপদা চোংথোরক্লিবা ৱাহংদি রজিভ গান্ধীদা লৈবাকসিনা পীখ্রিবা ইকায়খুম্নবদু হন্দোক্লে হায়বগী ফীভমদা তারক্লোইদ্রা হায়বসিনি। ঐখোয় শ্বাইদসু চপ মান্নে। লৈখিদ্রবা বোক্সর ঙাঙোম দিঙ্কোনা এসিয়ন গেমসতা গোল্ড মেদল ফংলকখিবদগী মহাকপু ইকায়খুম্নবা উৎতুনা থোনখ্রবা লম্বীগী মমিংসি কনাগুম্বা অমগী মমিংদা হোংদোক্লগদি মঙোন্দা উৎখ্রিবা ইকায়খুম্নবদু উৎলরোই, হন্দোক্লে হায়বগা মান্নরক্লোইদ্রা হায়বনি। স্বাইসিদা তরেৎ তরা থোক্লা খন্থহৌবা চুমগনি খল্লি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৩

১) কুমজা ১৯৬৫ইংদা ফোঙখিবা *'লৌনম'* হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) *''বীরবাহু তুবা''* হায়বা লাইরিক অসি মৈতৈলোন্দা কনানা হন্দোকপনো?

৩) *''নোংচুপ নোংপোক্কী মীনা সনামহী পাখংবা লাই অয়াম্বদা চঙফদে। মাইবা লোয়শঙ অহুম্মাদা খনফদে। দোলাইপাবনা নিংথৌগী শঙ্গাই চঙফদে।''* ৱাহৈ পরেংশিং অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

৪) বাংলাদেশতা ফোঙখিবা মণিপুরী সাহিত্যগী অহানবা চেফোংদু করিনো অমসুং করম্বা মতমদগী ফোঙবা হৌখিবগে?

৫) *''ভাগবত ধর্ম্ম অমসুং দ্রমর গীত''* হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# কোভিদ-১৯ মায় পাক্না লায়েংবা ঙম্লক্কদৌরি

## সার্স-কোভ-২ অমসুং মসিগী ভেরিএন্টশিংবু থিংবা ঙম্বা নানোবোদিশিং


সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম

কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মালেমবু ওৎলকপসি চহী অনী ফারক্কদৌরে। তেল্লবা মতমসিগী মনুংদা নীংহন্নবা লৈত্রবা সাইন্টিষ্টশিংনা হোৎনবদগী ভেক্সিন মখল কয়া পুথোক্তুনা সার্স-কোভ-২না চঙলক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা হকচাংদা ভাইরসসিবু থিংবা ঙম্বা ইম্ম্যুন সিষ্টম অমা শেমগৎহৌনবা হোৎনরক্লি। লোয়ন-লোয়ননা ভাইরস অসিনা ইনফেক্ট তৌখ্রবা মী অমবু লায়েংনবগী লাল্লোং কয়াসু থিজিল্লিবা সাইন্টিষ্টশিংনা পুথোরক্লি। মসিগী শরুক অমা ওইনা, গোতিঙ্গন (জর্মনি) গী মেক্স প্লাঙ্ক ইন্সটিট্যুট (এম পি আই) ফোর বাইওফিজিকেল কেমিষ্ট্রি অমসুং য়ুনিভর্সিটি ওফ মেদিকেল সেন্টর গোতিঙ্গন (য়ু এম জি) গী থিজিল্লোয়শিংনা সার্স-কোভ-২ অমসুং মসিগী শাথীরবা অনৌবা ভেরিএন্টশিংবু থিংবা ঙম্বা মিনি-এন্টিবোদিশিং শেমগৎপা ঙম্লে হায়না *"দ EMBO জর্নেল"* (জুলাই ২৪, ২০২১) দা পাউদম্লক্লি।

অসিগুম্বা নানোবোদিশিংসিনা হান্ননা পুথোকখ্রবা মিনি-এন্টিবোদিশিং (নানোবোদিশিং) দগী শরুক ১০০০ ফাওবা হেন্না ভাইরসশিংবু ফাজিন্দুনা ন্যুত্রেলাইজ তৌবা ঙম্মী হায়রি। মসিগীসু মথক্তা, সাইন্টিষ্টশিংনা মিনি-এন্টিবোদিশিংসিবু য়াম্না শাবা মৈশাদা অমাঙ-অতা থোক্তনা হায়বদি ফীভম কায়দনা থম্বসু ঙমখি। নানোবোদিশিংসি শেল ইচং চঙদনা চাং য়াম্না পুথোকপা য়াবনিনা, মখোয়না কোভিদ-১৯ থেরাপ্যুটিক্সকীদমক মালেমগী দরকার ওইরিবা পূম্নমক ফংহনবা ঙমগনি হায়রি।

এন্টিবোদিশিংনা মহিকশিংবু মাঙ-তাকহনবা নৎত্রগা ময়াই চমহনবদা ইম্ম্যুন সিষ্টমবু মতেং পাংই। খুদম ওইনা, মোলিক্যুলশিংদুনা ভাইরসতা নপশিল্লি অদুগা মখোয়বু ন্যুত্রেলাইজ তৌথোকখি, অদুনা ভাইরসতুনা মখা তানা সেলশিংদা লান্দাশিনবা ঙমদে। এন্টিবোদিশিংসি ইন্দষ্ট্রিগী পাম্বৈনা পুথোক্তুনা নারিবা মীশিংদা কাপশিনবা য়াই। মখোয়না হীদাক ওইনা মথৌ তৌই, সিম্পটমশিং ফহল্লি অমসুং লায়নাদুদগী ফগৎলকপগী চাং থুগৎহল্লি। মসি হেপাটাইটিস বি অমসুং রেবিস লায়েংবদা পাক শন্না শীজিন্নরবনি। এন্টিবোদিশিংসি কোভিদ-১৯না নারবশিংবু লায়েংবদসু শীজিন্নরি। অদুম ওইনমক, অসিগুম্বা মোলিক্যুলশিংবু ইন্দষ্ট্রিগী স্কেলদা পুথোকপা হায়বসি য়াম্না কোমপ্লেক্স ওই অদুগা মালেমগী দরকার ওইরিবসিবু ফংহন্নবগীদমক শেল য়াম্না চঙই। অসিগুম্বা খুদোংচাদবশিংসি নানোবদিশিংনা কোকহনবা ঙম্মী।




লাইয়েক অসিনা নৌনা শেমগৎলকপা নানোবোদি অনিনা কোরোনাভাইরস স্পাইক প্রোটিননগী রিসেপ্তর - বাইন্দিং দোমেইন্দা ফাজিন্দুনা সর্স - কোভ-২ অমসুং মসিগী ভেরিএন্টশিংদগী ঙাকথোকপগী মওংদু তাক্লি।

হেক য়েংবদদি, অনৌবা নানোবোদিশিংসি অতোপ্পা লেবশিংদা পুথোকখ্রবা এন্টি-সার্স-কোভ-২ নানোবোদিশিংগা ইখেন খেন্নদবগুম্না উগনি। মখোয় লোয়নমক্লা, ভাইরস অদুনা হোষ্ট সেলশিংদা লান্দাশিল্লকপদা শীজিন্নরিবা রিসেপ্টর-বাইন্দিং দোমেইন, কোরোনাভাইরস স্পাইকশিংদা পান্দম থম্মী। নানোবোদিশিংনা বাইন্দিং দোমেইন অসিবু থিংদুনা থল্লগা সেলশিংবু ইনফেক্ট তৌবদু ঙমহন্দে। অনৌবা নানোবোদিশিং অসিনা হান্না পুথোকখ্রবা নানোবোদিশিংগা খেন্নরিবদি : অনৌবসিনা সেন্টিগ্রেদ দিগ্রী ৯৫ ফাওবদা মখোয়গী মথৌদা অকায়বা লৈতে নৎত্রগা মখোয় মশেল পুনশিন্নরকপসু তৌদে হায়না য়ু এম জিগী ইন্সটিট্যুট ওফ মোলিক্যুলর ওনকোলোজিগী প্রোফেসর Matthias Dobbelstein না ফোঙদোক্লি। অসিগুম্বা নানোবোদিশিংনা হকচাং মনুংদা কুইনা লৈদুনা কান্নবা পী। অতোপ্পা খুদোংচাবা অমনা মখোয়সি পুথোকপা, প্রোসেস তৌবা অমসুং তুংশিন্দুনা থম্বদা হেন্না লায়না থোকই।

কোরোনাভাইরসকী স্পাইক প্রোটিন অসিদা বাইন্দিং দোমেইন অহুমগা লোয়ননা মান্নবা বিল্ডিং ব্লোক অহুম য়াওই। অদুনা গোতিঙ্গনগী সাইন্টিষ্টশিংনা মখোয়গী নানোবোদিশিংসিবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক স্পাইক প্রোটিন্দুগী সিমেত্রিগী মতুংইন্না চপ মান্নবা নানোবোদি অহুমগী চবুন অমা শেম্লম্মী। অসিগুম্বা চবুন অসিগী নানোবোদি অমমমনা ভাইরসকী বাইন্দিং দোমেইন অহুমদুগী অমদা হেক্তা নপশিনবা ঙম্মী। অসুম্না নানোবোদিশিং পুনশিন্নবসিনা নানোবোদি অমখক্তনা স্পাইক প্রোটিনবু ফাজিন্দুনা ন্যুত্রেলাইজ তৌবদুদগী শরুক ৩০,০০০ ফাওবা হেন্না কান্নবা পী হায়না Thomas Guttler না ফোঙদোক্লি। নানোবোদিশিং পুনশিন্নবগী অতোপ্পা খুদোংচাবা অমনা : নানোবোদি চবুন্দুনা চাওরিবমখৈ হক্কী ঈশিংদা থাদোকখিবগী চাং হন্থে। অদুনা হকচাং মনুংদা কুইনা তুংদুনা লৈরগা থেরাপ্যুটিক্কী ইফেক্ট কুইনা পী।




অহুমশুবা দিজাইন অমদনা, সাইন্টিষ্টশিং অদুনা নানোবোদি অনী/অনী পুনশিন্নরম্মী। নানোবোদি অনীসিনা রিসেপ্টর-বাইন্দিং দোমেইনগী তোঙান-তোঙানবা শরুকশিংদা লান্দাশিল্লি অদুগা পূন্না স্পাইক প্রোটিনবু ফাজিল্লম্মী। অসিগুম্বা নানোবোদি অনীগী অপূনবসি ভাইরসনা ম্যুটেসনশিং থোকপদা য়াম্না কন্না থিংবা ঙম্মী মরমদি মখোয়না ভাইরসকী স্পাইক্তা য়াম্না কন্না ফাজিল্লি। নানোবোদিশিংবু মখল অহুম থোক্লা শেমগৎলগা য়েংখিবা চাংয়েং খুদিংমক্তা মখোয়গী য়ামদবা চাংশিংনা ফাওবা ভাইরসশিংবু থিংদুনা থম্বা ঙম্লম্মী। মরম অদুনা হীদাক অমা ওইনা শীজিন্নবা মতমদা, দোজ হন্থনা পীবা য়াহনগনি অদুগা মসিনা সাইদ ইফেক্ট হন্থহনবদা নত্তনা পুথোকপদা চংবা শেলগী চাংসু হন্থহনগনি।

এম পি আই ফের বাইওফিজিকেল কেমিষ্ট্রিগী দিরেক্টর Dirk Gorlich না ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, মখোয়গী নানোবোদিশিংসি অলপকা হায়রিবা শা অদুদগী ফংলকখিবনি অদুগা মখোয়সি হৌজিক শীজিন্নরিবা এন্টিবোদিশিংদগী হেন্না পিকই অমসুং চম্বা হেল্লি হায়রি। সার্স-কোভ-২গী মায়োক্তা নানোবোদিশিংদুবু শেমগৎনবগীদমক থিজিন-লূপ অসিনা ব্রিতা, নোরা অমসুং জেনিয়া হায়বা অলপকা (Alpaca) মখল অহুমসিবু কোরোনাভাইরস স্পাইক প্রোটিনগী শরুকশিংগা লোয়ননা ইম্ম্যুনাইজ তৌরম্মী হায়বদি ভেক্সিন পীরম্মী। অলপকা অমোমশিংদুনা মদুদগীদি এন্টিবোদিশিং পুথোরক্লম্মী, অদুগা থিজিন-লূপ অসিনা শাশিংদুদগী ঈগী সেম্পল খরা খরা লৌরম্মী। Gorlich কী থিজিন-লূপ অসিনা অলপকাশিংগী ঈদগী নানোবোদিশিংগী ব্লুপ্রিন্ট বিলিয়ন অমমুক লৌথোক্লম্মী। অদুক য়ামখ্রবা নানোবোদিশিং অদুদগী মখোয়না খ্বাইদগী ফবা নানোবোদিশিং খনগৎনবগীদমক, বেক্তিরিওফেজশিং শীজিন্নরম্মী। অসুম্না খনগৎলবা নানোবোদিশিংদু হন্না হন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লম্মী।

মতাংসিদা খঙজিনবা য়াবা ৱাফম অমদি নানোবোদি খুদিংমক্লা ভাইরসপু ন্যুত্রেলাইজ তৌদে হায়বসিনি। মরম অসিনা Dobbelstein গী থিজিন লূপনা লেবতা য়োক্লিবা সেলশিংদা ভাইরসশিংনা রেপ্লিকেট তৌরকপদা করম্না থিংবগে অমসুং কয়া কন্না থিংবগে হায়বদু নৈনরম্মী। মসিদগী মখোয়না খঙলকখিবদি, সোলুসন অমগী লিটর অমদা নানোবোদিশিংগী গ্রাম অমগী মিলিয়ন থোকপগী অমা (গ্রাম ১০⁻⁶) দগী হন্থনা য়াওরবা ফাওবদা ইনফেক্সনবু মপূং ফানা থিংবা ঙম্মী হায়বসিনি। নানোবোদি অহুম পুনশিন্নরকপা মতমদদি, মসিদগী শরুক কুন হেন্না লাংথোকহল্লবা ফাওবদা কান্নবা পীরম্মী।

কোরোনাভাইরস পেন্দমিক অসিদা ঐখোয়না থেংনরিবা খ্বাইদগী খুদোংচাদবা অমদি ভাইরস অসিগী ভেরিএন্টশিং থোরকপা অসিনি। অদুনা অহানবা কোরোনাভাইরসপু লাকশিনবা ঙমখ্রবা এন্টিবোদিশিংনা মখা তারকপা ভেরিএন্টশিংবুদি লাকশিনবা ঙম্লক্তবা য়াওই। অদুবু গোতিঙ্গনগী সাইন্টিষ্টশিংনা পুথোরক্লিবা অনৌবা নানোবোদিশিং অসিনদি অলফা-বিটা অমসুং দেল্টা হায়রিবা ভেরিএন্ট মখল পূম্নমকপু থিংবা ঙম্মী হায়রি। তৌবদদি মখোয়গী চাংয়েংশিংসি লেবতা পাঙথোকখিবনিনা মসিনা মপূং ফারে হায়বা য়াদ্রি। অদুনা মখোয়না মীওইবদা কয়ামুক য়াম্না কান্নবা পীবগে অমসুং করি-করম্বা সাইদ ইফেক্টশিং লাকপগে হায়বদু য়েংনবগীদমক ক্লিনিকেল ত্রাইএলগী থৌরাং তৌবা হৌখ্রে। মসিদা মায় পাক্লক্লবদি সার্স-কোভ-২বু মায়থীবা পীবদা হেন্না লাইহল্লগনি। ●

# মেক্সিকো ১৯৬৮ ওলিম্পিকতা ইরোইবগী থৌরম

- লৈশাংথেম অজিৎ -

ওলিম্পিক অসিগী ইরোইবগী থৌরম ২৯ পাঙথোকখিবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা সনাগী মেদল ২১ ফংখিবা মতমদা লৈবাক অসিগী নক্লবা লম্বা ওষ্ট্রেলিয়ানা সনাগী মেদল ৩, নোংপোক জর্মনিনা ২ অমদি য়ুগোস্লাভিয়া, মেক্সিকো অমসুং নেদরলেন্দসনা অমমম ফংখি। লৈবাক ৫১না ওলিম্পিক অসিগী ইরোইবদা শরুক য়াখি। সনা, লুপা অমসুং শেঞ্জেংগী মেদল য়াওনা পূন্না মেদল ৮৭কী লম্বা তৌনবদা অমেরিকানা মেদল ৫১ লৌবা ঙমখি।

ওষ্ট্রেলিয়ানা সনাগী মেদল ফংখিবা অহুমগী মনুংদা অনী অমদি নুপাগী মিটর ১০০ অমসুং মিটর ২০০গী ফ্রীষ্টাইলদা মকোক ওইখিবনা মাইকেল ৱেনদেননি। মিটর ১০০গী ফ্রীষ্টাইলদা মহাক্না ৱর্ল্ড রেকোর্দ পায়রিবা অমেরিকাগী কেন্নেথ ৱালস অমসুং জাকারি জোর্নবু মায়থীবা পীখি। মহাক হীরম অসিদা মকোক ওইবা ঙমগনি হায়বগী আশাদা লাকপা নত্তে। মহাক্না হিট অমসুং সেমীফাইনেলদা মথংশিৎনা ৫৩.৯ অমসুং ৫২.৯ সেকেন্দদা লমথুংফম য়ৌদুনা অতৈদগী রেকোর্দ খ্বাইদগী ফজরম্মী। ফাইনেলদা মহাক্না কেনেথ ৱালসবু মায়থীবা পীখি অমসুং মার্ক স্পিটসপু অহুমশুবা তাহনখি। মিটর ২০০গী ফ্রীষ্টাইলদা মহাক্না হৌখিবা টোকিও ওলিম্পিকতা সনাগী মেদল মরি ফংখিবা দোন স্কোল্লেন্দরবু মায়থীবা পীখি। ওলিম্পিক অসি সমুদ্রগী লৈমায়দগী য়াম্না ৱাংবা মফমদা পাঙথোকপা ওইবা মরম্না ওক্সিজেনগী চাং ৱাৎপা মরম্না মখোয় অনীমক ওক্সিজেন ৱাৎলক্তুনা চোকথরকখি অমদি ৱাখল মাঙখি। স্কোল্লেন্দরদি মতম চানা ওক্সিজেন পীখি, মাইকেল ৱেনদেনদি অমেরিকাগী রোবার্ট ৱিন্দলনা কনখি। থৌরম অসিগী মতুংদগী স্কোল্লেন্দর ইরোইবদগী পোত্থারে হায়না লাউথোকখি।

স্কোল্লেন্দর হৌখিবা টোকিও ১৯৬৪ ওলিম্পিক্তা সনাগী মেদল ৪ ফংখি। মিটর ১৫০০গী ফ্রীষ্টাইলদা মালেমগী রেকোর্দ পায়রিবা মাইকেল বরতন মিটর ৮০০ অমসুং মিটর ১৫০০গী ফ্রীষ্টাইলদা মালেমগী রেকোর্দ থুগাইদুনা সনাগী মেদল লৌখি। মিটর ৮০০ অমসুং ১৫০০গী ফ্রীষ্টাইলদা মকোক ওইখিবা মাইকেল বরতন মহাক্না চহী ১৩ শুবা মতমদা সাইকল থৌদুনা শান্নরিঙৈদা টেবল, চৌক্রি, উপু-কাংথোলনচিংবা উনা শাবা পোৎচৈ পুবা ত্রক অমনা থোমদুনা মহাক্কী হিপ নাম্থোকখিবদগী হোস্পিটালদা চয়োল ৮ লৈখি। মদুদা ডাক্তরনা মঙোন্দা ইরোইনবা পাউতাক পীরক্তুনা ত্রক দ্রাইভরগী মচানুপা অসিনা স্বিমিং পুলদা ইরোইদুনা মহাক্কী মখোঙ অদু কনখৎনবা হোৎনহনখি। মমৈথংদা অরদেন হিলস স্বিমিং ক্লব অমসুং য়ুনিভর্সিটি ওফ কালিফোর্নিয়াগী ইরোইবগী শান্নরোয় ওইখি।

মেক্সিকো সহরনা য়ূম্বু ওইবা গেমস অসি চত্থরকপা নুমিৎ তরানি শুরবা ফাওবা লৈবাক অসিগী শান্নরোয়না সনাগী মেদল অমত্তা ফংবা ঙমখিদ্রি। মসিমক্না লৈবাক অসিগী ঈজৎ শোকপনি। লৈবাক মীয়াম্না মরৈবাক্কী ঈজৎ ঙাকপা ঙম্বা শান্নরোয় অমা থোরক্লবা মপূক্লিংদা ৱাখল মওন মওন খন্নরম্মী। লৈবাক মীয়াম্না সনাগী মেদল ফংলক্তুনা মেক্সিকোগী মমায় ঙাকপা শান্নরোয় অমা থোরকপা ঙাইরিঙৈদা Felipe Munoz না মিটর ২০০গী নুপাগী ব্রেষ্ট ষ্ট্রোক্তা মকোক ওইদুনা সনাগী মেদল লৌদুনা লৈবাক্কী মমায় ঙাকখিবদা মেক্সিকো খক্তা নত্তনা খা অমেরিকা পূম্বগী মায় পাকপনি হায়না লৌখি। মহাক্না ইরোইবা থৌরম অদুগী ফাইনেলগী ক্বালিফাই ওইবদা মীয়াম্না ঙক্লখি। ৱর্ল্ড রেকোর্দ পায়রিবা সোভিয়েটকী ভলাদিমির কোসিন্সকী হৌখিবা টোকিও ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ন ইয়ান ওব্রেইনসু অথোয় অহেন তান্নবা অসিদা শরুক য়াখি।

মিটর ২০০গী ইরোইবগী লমজেল অসি হেক লমথাবগা শরুক য়ারিবশিং অদুনা অরোইবী থাদুনা ইরোইবগী তঙ্খাই চল্লকপদা মহাক্না মরিশুবদা লৈরমখি। অদুবু মমাঙদা লৈরিবশিং অদুগী মনাক নকশিল্লক্তুনা লমথুংফম য়ৌগদবা মিটর ৫০ খক্তং ঙাইরবা মতমদা মমাঙদা নুপা অহুম লৈরম্মী, মখোয়গী মনুংদা অনী খক হেঙ্গৎলবা মতুংদা মমাঙদা লৈরিবা ভলাদিমির কোসিন্সকিগী ময়া নকশিল্লক্তুনা মহাক্না হেনগৎখি। মেক্সিকো মচাশিং অদুনা হরাওদুনা পুং অমা হেন্না লাউ খোংদুনা লৈখি। ভাবক অমনা মহাকপু লেংবান্দা ফমহন্দুনা ইরোইফম পুখ্রি অদুগী অকোয়বদা কোয়চৎ চৎলম্মী মদুদা ভাবোকশিং অদুনা মহাকপু থাগৎ ৱাহৈনা হরাওনা লাউ খোংখি অমদি ফিলিপ সুৱাতোজগী মমিত্তগী মপি তারকখি।

খা অমেরিকাগী লৈবাক পারাগুৱে (Paraguay) না মহাক্কী শক্তম য়াওবা পোষ্টেজ ষ্টাম্প অমা ফোঙদুনা মহাকপু ইকায় খুম্নবগা লোয়ননা লৈবাক অনী অসি নুংশিনবা ফোঙদোকখি মদুদি মহাক্কী মেদল অসিনা খা অমেরিকা পূম্বগী মমায় ঙাকখি। মহাক তেক্সাস য়ুনিভর্সিটিদা গ্রেজুএট লোইরবা মতুংদা নেসনল কম্মিসন ফোর ফিজিকেল কলচর অমসুং স্পোর্টস ওফ মেক্সিকোগী দেপ্যুটি দিরেক্টর ওইদ্রিঙৈদা টেলিভিজন কমেন্টেটর ওইরম্মী। মেক্সিকো স্পোর্টস কনফিদরেসনগী মকোক ওইহনখি অমদি কুমজা ১৯৯৬, ২০০০ অমসুং ২০০৪দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসশিংদা মহাক্কী লৈবাক্কী চীফ-দি-মিসন, দেলিগেসনগী লুচিংবা ওই। কুমজা ২০০১দগী ২০১২ ফাওবা মেক্সিকো ওলিম্পিক কম্মিটিগী প্রেসিদেন্ট ওইখি অমসুং পান অমেরিকান স্পোর্টস ওর্গনাইসেনগী ফমশিং পায়খি। মমৈথংদা ইন্সটিট্যুসনেল রেভল্যুস্নরি পার্টিগী মেম্বর অমা ওইনা মেক্সিকান কেংগ্রেসকী ৬২শুবা লেজিসলেটিভকী দেপ্যুটি ওইখি। কুমজা ১৯৯৫দা ওলিম্পিক ওর্দর ইন সিলভর হায়বা ওলিম্পিক্কী মনা অমা পীখি। কুমজা ১৯৯১দা ইন্টরনেসনল স্বিমিং হোল ওফ ফেমদা মমিং য়াওহনখি।

ব্রেষ্ট ষ্ট্রোক্কী মিটর ১০০গী ইরোইবদা সনাগী মেদল লৌখিবা নুপাদি অমেরিকাগী Donald Mckenzie নি। মহাক্না সোভিয়েটকী ৱর্ল্ড রেকোর্দ পায়রিবা Nikolai Pankin বু অহুমশুবা তাহনখি। অমেরিকা মচাশিংবু ইরোইবদা মায়থীবা পীবা ঙমখিবা নুপা অমদি জর্মনিগী নুপাগী মিটর ১০০ অমসুং মিটর ২০০গী বেক ষ্ট্রোক্তা ৱর্ল্ড রেকোর্দ পায়রিবা রোনাল্ড মেথিয়ুনি। মহাক্না কুমজা ১৯৬৭কী সেপ্টেম্বরদা অহানবা ওইনা বেক ষ্ট্রোক্কী রেকোর্দ থুগাইখি। মহাক্কী মপুন্সিদা সনাগী মেদল ৪, লুপাগী ২ অমদি শেঞ্জেংগী ২ ফংখি। কোরনেলিয়া ইন্দর কৌবী নোংপোক জর্মনিগী ওলিম্পিক চেম্পিয়ন অদুগা কুমজা ১৯৭৮-দা লুহোংখি। মখোয় অনীনা ওলিম্পিক্কী সনাগী মেদল ৮, লুপাগী ৬, শেঞ্জেংগী ২ ফংখি। মিটর ১০০ অমসুং ২০০গী মালেমগী বট্টরফ্লাই রেকোর্দ অমেরিকাগী মার্ক স্পিটসনা মথংশিৎনা সেকেন্দ ৫৫.৬ অমসুং মিনট ২.০৫দা পায়রম্মী। মিটর ১০০ (বট্টরফ্লাই) গী অরাপ্পদা মহাকপু মরৈবাক মচা Douglas Russel না মায়থীবা পীখি, অনীশুবা তাখি, অতোপ্পা অমেরিকা মচা Ross Wales না অহুমশুবা তাখি। মিটর ২০০গী বট্টরফ্লাইদসু মহাক্না মিনট ২ সেকেন্দ ০৫.৭তা ৱর্ল্ড রেকোর্দ পায়রবসু লমজেল অসিদদি মিনট ২:১৩.৫ চঙনা লোইদুনা ৮শুবা তাখি। মহাক্কী লৈবাক্তগী লাকমিন্নবা Carl Robie না মিনট ২:০৮.৭তা মকোক ওইখি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।